লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

মখোয়গী থৌরম লোইদুনা ঐখোয়গী অমুক তেন্না-তেন্না উৎলি। ঐখোয়গী মোইবুং যুগেনা মখোয়গী মোইবুংসি অমুক্তা খোংগে হায়বীয়ু হায়না ঐঙোন্দা লোন্না হায়খি। ঐখোয়গী যুগে ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা মীনি, মানা হান্না চোংথোকলকপসি ঐ ঙকখি। গ্রুপ লিডরদা পাউ পীখি। ঐখোয় থাজরুদে, মোইবুং যুগে থোনবগী মরম চপচানা লৈরম্মী। মখোয়গী মোইবুংদু অমখক্তনা খোংবনি মচীগী কারক্তা খুৎ অনী পায়রগা যুগেনা ফিভম ইকায় কায়দনা ফল্লগা মখল-মখলগী মরোলশিং হৌনা কামলকই। মখোয়না খোংবদি টু...হায়বা চপশিল্লগা থোকলকপা অপীকপা মখোল অদু নত্তনা অতৈ তাবা ফংখিদে। ঐখোয়গী যুগেনা মোইবুংদা হৈশিংবা মাগী পীথোকলকপশিং নুমিৎ অদুদা অখাকপা লৈতনা উৎখি। মোইবুং খোংদুনা ঙকহনখিবসি সোভিয়েত লৈপাক্তা অমা হন্দক্কী নোর্থ অমেরিকাগী খোঙচৎ অসিমগা অনীসিনি। মোইবুং যুগেনা লোইরগা অমুক ঐঙোন্দা লোন্না হায়- "ঐগী মোইবুংদু পুরক্লম্মদি খঙগদবনি।" মখা তাবদি ঐখোয়গী পুংগী কুম্মৈ, ইবেমহলগী ঈশৈনা শমথখি। মতাংসিদা পাবিরিবশিংদা ইবেমহল মশক তাকচগে। ঐখোয়গী কোরসকী শৈশকপিনি। কোরসকী ইবেমহল অনী লৈ। অমনা গৌড় শৈশকপী ইবেমহল অমনা মৈতৈ শৈশকপী ইবেমহলনি। হন্দক্কী অসিদি গৌড় ইবেমহলনি। মী পীকতক তৌই। পীকচরবসু ময়াই থোকখ্রবদি মঙাল লৈনা উই, মিৎ থল্লি। মসিসু মাগী তোপ-তোপ্পা মতীক-ময়াই অমনি। মাগী ঈশৈগা কোন্নবা খোম্থোক "ঐননে ববা..হো মাজি.." মাগী পকচবা ঈশৈগা কোন্নবা ৱাহৈনি। হি লানবা ঈশৈগী মতাং শকপদা মীয়াম্না "তারা শাবী" হায়না শীংথানবীনি। ইবেমহলনা কোরসতা য়াউরকপদগী পুং য়ৈবা ময়াং তিংবা, মশা খীংবা পাখঙশিংগা মোত তৌদুনা দুর্গা পুজাগী, হরিউথানগী, কাংগী মান্দপ্তা ঈশৈ শকপা চৎলক্তবা কুইরবনি। নুমিৎ অদুমদি ষনগোন্দা পুনশিন্দুনা থমজিনবীরুবা ষন্নাও থাদোকপীরকপদু মঙাই। ইবেমহলদা নত্তে, মাগা লম্বা পারিবা পুং যুগেসুনি। মখোয় অনীনা মখুৎ-মশা য়াওনা মতেক অমা খেকথখিবদুদি, ঐখোয়গী মীনি হায়না থাগৎপগী ৱা নত্তে। ঙাইহাক্তুদি ঐখোয় ফাওবা নোর্থ অমেরিকাদা লৈরি হায়বা কাওখি। লাইবুং অমদা, মান্দপ অমদা ফল্লিবোই খল্লুই। ঐখোয়মক্লা অদুক নুংঙাইরবদা মখোয়দি করি ফাওরমগনি। ইবেমহলনা খুনিং কাংলপ, যুগেনা নম হুন্তক তৌরগা মঙক পৈনা-পৈনা পুংলোনগা কোন্নবা ঈশৈ মতেক অমা মখোয় অনীনা উৎখিবদু হৌজিকসু মীৎতা উরি।

"-মীপাই চাউবী রধানি, চৎখিগনু শ্যাম.... কলংকিনি মীংথোলসু ফংলবীনি নহাকথক্কী ঐহাকসে...।"

মতাং চানা হাপলকপা পুং যুগেগী থেকা, পুংগী পুংলোনগা কোন্ননা ইবেমহলনা মিৎচি-মিৎনা, খুদোনবী থীন্দুনা, পাম্বোম থাংগৎতুনা, খুনিং কাংনা শকখিবা মতৌ অদুদদি, মখোয়দি মমিৎ-মনা লোইনা লংখৎখ্রে। য়েংনা-য়েংনা মখোয়সু মখুৎ কোৎতুনা মতৌসু তমখিবা উই। পুং যুগেগী পুংখোলদা মখোয়গী ট্রুপ লিডর ওইরিবী অদুদি ফল্লমবদগী লেপখৎলকই। মহাক য়াম্না হরাউখি, নুপী ওইজরবসু ড্রম ফজনা য়ৈবা হৈরমখি। ড্রমদা নত্তে, ত্রমপেট খোংঙি, বাশি খোংঙি, মানা হৈতবা য়াওরমদে। অদুমক্লা ময়ামদুগী লুচিংবী অমসু ওইরমখিবনি। মহাক পেঞ্জনা য়েংখি।

অসুম্না ফনা কুইনা কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রামগী মওংদা মখোয়গা ঐখোয়গা শরুক য়ামিন্নখি। থৌরম পাংথোকমিন্নখি। মখোয়না ঐখোয়গীদমক শীনবীরম্বা চাকলেন চামিন্নখি। চাবগী মহাউ, খুৎথোং ফাওবা মান্নরম্মী। মখোয়সু চাক থোংলগা চাবা কাংলুপনি। মোরোক অশাবা পাম্মী। চিঞ্জাক য়াম্না মান্নে। চমফুৎ ফাওবা য়াওই, মখোয়দা ৱাৎলম্বা হায়ববু ইরোম্বগী মথেল অসিতনি। চারিঙৈদা মখোয়গী লুচিংবীগা ৱারী শান্নবদগী খংখি মখোয়সি 'কিচুৱা' হায়বা কনাগুম্বনা "রেদ ইন্দিয়ান" হায়না খঙনবদুনি। মখোয় অসি মেক্সিকোদা মাইনোরিটি তারে। মখোয়গী লোল, কলচর তোঙান্না লৈজৈ অদু ওইরগসু স্পেনিসশিংনা নমহৎপিদুনা লাকপনা মখোয়গী নাৎকী শক্তম লোইনা মাঙহনবিখ্রে। মহৌশানা মখোয়দি জগোয়-ঈশৈ অমদি ম্যুজিক য়াম্না পাম্মী। মখুৎ-মশা, শেম শাবসু হৈগল্লি। মখোয়না ঈশৈ শকপা, ম্যুজিকসিয়ান ওইবা অসি স্পেনিসশিংনা কল্লকই, খোংহন্নিংখিদে। মতম অমদি কনাগুম্বা কিচুৱা মেক্সিকান অমত্তনা ইন্সট্রুমেন্ট পায়দুনা খোংবা য়াদে, করিগুম্বা উরবদি ফারগা চৈরাক পী, কৈশুমশংদা থম্মী। ঈশৈ শক্লিংবা, ম্যুজিক খোংনিংলকপদা কৈশুমশং মনুংদা মখোয়না চাখিবা শাগী মরূশিং, শাগী ময়াশিং অমত্তা মাঙহনখিদে, মরূশিং অদু খীংদুনা অমদি উপুদা য়ৈদুনা তান থারগা শকলকখি। য়াম্না ওৎপীখি।

ৱারী অসি মখোয়গী ট্রুপ লিডর ওইরিবী মিস দাইনানা মপি ইরা চেল্লগা ঐঙোন্দা তমলকখি, "ঙসিদি ঐখোয় নীংতল্লে। ফোংনা ইন্সট্রুমেন্ট পায়দুনা খোংবা, ঈশৈ শকপা য়ারে। ঐখোয়গী লোন নুংশি, ঙাঙনিংঙি। ঐখোয়না স্পেনিস, ইংলিস অমদি কিচুৱা লোন অহুমদা শীজিন্নে। নখোয় খঙলোইদবনা ইংলিস ওইনা ঙাঙবনি।" অসি হায়না মখা তানা ফোঙদোকলকখি। নুংঙাইনা ৱারী শান্নরকপদা, নুংঙাইতবা থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইবা ৱারীসু লম-লমগী ওইনা থেংনরকই। চাউখৎপা লৈবাকশিংদসু অৱাবা ৱারী লৈরম্মী। অচৌবনা মচাবু নমহৎপীবা, তুহৎপীবা হায়বসিমদি মফম খুদিংগী লৈরল্লে। পেন্দবদগী শীংনরকপা, শীংনরুবদুনা অৱাবা কয়া নংলকপগী ৱারীনা পীক থল্লি। কাইনথংদা মহৈ ফংবদি মশীং পংয়াম য়ামখিদে। ময়ামগী ৱারী তারুরগা ঐখোয়গী ইরমদমগী ৱাফম হেক-হেক নীংশিংলকই। ঐখোয়গী মতাং হেক লাকপদা, ঐখোয়গী অসিমদি মহৈ চাফম খঙদবদৌনা হেক হেক তৌই। ঐখোয়সি হান্নদগী চাউখৎপা হেঙ্গৎলকলিব্রা, করম্বা মাইকৈদা চৎলিবগে ? কনানা লুচিংলিবগে ? ইদোম লেপচবা ঙল্লিব্রা হংজবদা পাউখুম পীবা ঙমদনা লৈরি।

**কিচুৱা কনানো ?**

মিস দাইনাসি কিচুৱা নীংঙোলনি। মহাক্লা তৎতনা কিচুৱাগী মতাংদা হেক-হেক ৱারী শাবা খূদিংগী হায়বা অমা লৈ। মসিমতংদি পাবীরিবশিংদা তমজরমগে। "কিচুৱা" অরিবা নোর্থ অমেরিকাদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা অমনি। মখোয়গী মীশিং চোইনা চোইনা নোর্থ অমদি সাউথ অমেরিকাগী মফমশিং, মরুওইনা বোলিভিয়া, ক্যুবা, পেরু, লিমা, ইক্কাডর, ক্বিটোদা খুন্দারি। স্পেনিসশিংনা মীনাই ওইনা শীজিন্নখিবা নমথদুনা থম্বীখিবা মীওই কাঙলুপ অমনি। কিচুৱা হায়বসি



Ketchuan Leader, Miss Daina playing Drum, Peru

Domingo de Santo Tomas মীশকসিনা অহানবা কৌখিবা মীঙ্গৈনি। Inca Empire গী মতমদা কিচুৱা লোল অসিসু ওফিসিয়েল ওইনা শীজিন্নরম্মী। স্পেনিস্টশিংনা থুংলদ্রিঙৈ ময়াইওইবা কুমশিং ১৪০০ অসিদদি পাকশন্না কিচুৱা লোল অসি ঙাঙনরম্মী। কুমজা চহী ১৫৩২ দা স্পেনিস্টশিংনা য়ৌশিল্লকপদগীদি হান্না চৎনরম্বা কিচুৱাগী অরীবা মনাৎ, কলচর, পোলিটিক্স, ইদুকেসন সিষ্টেম খূদিংমক থিংজিনখি। চুম্নগী থিংজিনবা নত্তে অচৌবা লালনি। স্পেনিস্টশিংনা পানবা মতমদা কনাগুম্বনা কিচুৱা লোল ঙাঙনরম্লবা, মখোয়গী নাৎ চৎনরম্বা থেংনরবদি, মী অদু শোয়দনা হাৎখিগনি। মমালোনবু মনীংতম্না ঙাঙবা ফংহন্দ্রবা, মশাগী নাৎপু মীমাং থোক্লা চৎনবা য়াহন্দ্রবদি কাঙলুপ অদুগী মীওইশিংনা খল্লমগদবা ৱাখলসি করি ওইগনি ? মপাঙ্গল কনবা, মীশিং য়াম্বা কাঙলুপ অমনা মশীং য়ামজদবা কাঙলুপ অমবু নমথবিবদুনি।

মিস দাইনাদি ঐখোয় উবদা মথন্তা পংনুংদা-নুংঙাইখি, হরাওই। মশাদু পূল্লাং লাংঙি। মখোয়গী লোন, মনাৎ ঐখোয়দা তাহনবা, উহনবা ঙম্বগীনি। মথং চহীদসু ঐখোয়বু লাকউ হায়। মাগীদু হায়ফম থোকই হায়দনা হায়বা নত্তে সিরিয়সনি। মানা হায়বা ৱা তারগা ঐখোয় মশেল য়েংনৈ। মিস দাইনানা হায়রিবদু ঐখোয়দসু অরায়বা অমা নত্তে। ঐখোয়সু মাইকৈ কয়াদা চীংজাওশিংনা থৎলি হায়বসিমদি মহাক্লা উখিদে। ঐখোয়সু মখোয়গুম্না চহী কয়াদগী ইশাগী চাকথুং ৱাৎনা ফংলিবা, কুফা চঙলিবা, নমহৎপিরবা, তুহৎপিরবা ফুরুপ অমনি। মখোয়দি ঙসি মনীং তল্লে, চাওখৎলে। মদুগী থাক অদুসু ঐখোয়দি য়ৌদ্রি। ঐখোয়সি লন-থুম লৈবা, পৈশা পায়বা খুৎপু অমনি হায়না মহাক্লা লৌখিবা মাল্লি। ঐখোয়রোমদা মহাকসু অমুক্তংবু লাকহন্নিংঙি, লাক্লগাদি মহাক্লা খঙলগনি ঐখোয়গী লৈবাক্কী ফিভম, ঐখোয় ইশাগী পুন্সি মহীং, যূম্লে-কৈরৈ, যূম্বাল-কৈবাল। অমরোমদা লাক্তবনসু ফৈ। খঙখ্রগা ঐখোয়গী পোক্লফম লমদমদা মখোয়না থল্লিবা ইকায়-খুম্নবসি মাঙখিনবনি। ফুমবংনরবা ৱারী ময়ামসি পুরগা, ক্যুবাদগী ঐখোয় কোলুম্বীয়া মাইকৈ পাংলকখি।

**কোলুম্বীয়া থাদোকলমদাই**

ঐখোয় কোলুম্বীয়াগী খোঙচৎ অয়াম্বা লোইরে। পেরুদা হংচিং চৎকনি হায়বা মতম অদুদনি। কোলুম্বীয়ানশিংনা ফজবা কোর্ডুরোই জেকেট য়াম্না লীৎপা উবদা ঐখোয়সু কোর্ডুরোই জেকেট অমমম লৈরুসি হায়দুনা ট্রুপ লিডরদা পাউ পীরল্লগা সিটি মার্কেটতা হাইদোকলকই। করম্বা মফমদা জেকেট য়োল্লি হায়বা খঙদে। দুকান্দা জেকেট য়োনবা উব্রা হায়দুনা য়েং-য়েংদুনা লাকই। মাগী-মাগী দুকান মপাশিংদা নুপা-নুপীশিংনা থোকলত্তুনা মখোয়-মখোয়গী দুকানশিংদা চঙলক্লবা কৌশিল্লি। অয়াম্বনা কোস্মেটিক্কী ওইবনা দুকান্দা চঙলমদনা লাকখি। খর চৎলগা নীংথিজনা কেরবা লৈশাবী অহুমনা, মখুৎতা এফ.এম. মাইক্রোফোন পায়দুনা লম্বীদা লাওদুনা লৈরম্মী। ঐখোয় উবদা কৌশিল্লকই। মখোয়গী এদর্ভটাইজ মওংসিদা ঐখোয় নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙমখিদে। মখোয়গী পোৎয়োনফম মনুংদা পুশিল্লি। মনুং অসি য়াম্না চাওরম্মী। মথক -মখা অনী লৈ। তূবা লোইরবা কোর্ডুরোই জেকেট মখল কয়া লৈরম্মী। উরিবা খূদিংমক পাম্মী। ঐখোয় কা অদু থুংনবা চৎলি। ঐখোয়বু কৌশিল্লকখিবা লৈশাবী অহুম অদুসু মনুংদা চঙলকই ঐখোয়না হেক চঙলকখিবগা, মপান্দা "সেলস ক্লোজ" হায়না থাবা বোর্দ অমা য়ানখি। কাদুগী ময়াই ওইরপ্পা লৈশাবী অমনা কমপ্যুটর পায়দুনা ফমলম্মী। মহাক্কী মনাক্তা ঐখোয়বু পুশিনবীরকই। শক মান্নদবনিনা হেক উবদা ঐখোয় মীতোপ্পী হায়বসি মখোয়সু খঙঙি। মহাক্লা ঐখোয় উবদা নোকফেৎ তৌরকই। ফমলম্বদগী হৌগৎলি অদুগা ঐখোয়গী ফমফম পীরকই। অতৈদু ইংলিস ঙাঙবা নীংথিনা ঙমলমদে অদুনা মহাক্কী মনাক্তা ঐখোয়বু লৈশাবীশিং অদুনা পুশিনবীরকপা ওইরম্মী। মহাক ময়াম অদুগী লুচিংবীনি। ঐখোয়বু করি লমদগীনো হংলকই। ইন্দিয়াদগীনি হায়বদা মহাক ইন্দিয়া খঙলমদে। ঐখোয়দা য়াওবা ৱার্ল্ড মেপ পুথোক্তুনা তাকই। ঐখোয় আর্টিষ্ট ঙাক্তনি, জেকেট লৈবা লাকপনি হায়খি। মহাক্লা স্পেনিস্ট লোলদা অমুক নুপীশিং অদুদা খঙহনখি। চাওখ্রবা পোৎয়োনফম অসি মখোয় নুপী তরেৎ খক্তনা চলাইবনি। মপান্দা অচৎ-অওক কৌশিনবা নুপী অহুম, মনুংদা সেলসমেন নুপী অমা, কেসিয়ার অমা, মথক থংবা কা অমদা দিজাইন্নর, কটর অনীনি। ঐখোয় লাকপা উবদা মখোয় লোইনমক ঐখোয়গী নাক্তা ওমশিল্লকই। মথক থংবা কাদা লৈখিবা নুপী দিজাইন্নর, অমদি কটর অনী অসিদনি য়াওখিদবা। নুপী কেসিয়ার ওইবী মখোয়গী লুচিংবী অদুনা মখোয়বুসু কুমথরক্লবা স্পেনিস লোন্দা হায়খি। মখোয় থোংনাওদগী হায়রপ হরাউনা য়েংথরকখি। লাক্কে হায়বগী মওংনি। মখোয়গী মতৌদা ঐখোয় চমম্নখি ঐখোয়বু ফজনা ফমহল্লগা কোফি অহাওবা অমমম পীথকলকই। ঐখোয় ৱাখল ফত্তবা খনবা হৌরকই, পাক থক্তে। ঐখোয়গী মরক্তগী খর হেন্না পাখৎকনবা মরুপ কিরন য়াওরি। মানা হায়রকই,

- পোৎ লৈবা লাকপা মীদা কোফি লেম্না পীথক্কদৌরিবসি করিগীনো মখোয়না কোফিসিদা পঙথনবা পোৎ হাপচিল্লগা ঐখোয়দগী পৈশা লৌথোক্কদৌরিব্রা? নত্রগা ঐখোয় মীনৌনি হায়বা খঙদুনা পৈশা য়াম্না লৌবা য়ানবা কোফি পীথক্লিব্রা ?
- পোৎ লৈবা লাকপদা কোফি পীথকপসি মরম চাদে। য়েংখিসি, মখোয়না পংতৌ-তৌবা য়ারোই। ঐখোয় নুপা মরীনি।

ঐখোয়সু পংঙাঙ ঙাংনৈ। কোফিদু লোইবা ফাওবা থক্লদ্রে। হাওবদি য়াম্না হাওই। কোফিদু থকপদা হকচাংদা নুংঙাইতবা করিসু তৌরকখিদে। ঐখোয় অমনা অমবু কৈদৌরক্কে য়েংনখি। নুপী অদুনা হায়রকই,

- মপান্দগী লাকপা গেষ্টপু তরাম্না ওকপা অমদি কোফি অমা ইহান হান্না পীথকপসি ঐখোয়গী চৎনবিনি (কোলুম্বীয়াগী ট্রেদিসন্নি)। চৎনবিসি মীপূম খূদিংমক্তদি তৌদে। ঐখোয়না নুংশিবা মীদা খক্তনি। হৌজিক্তী নখোয়না পাল্লিবদু হায়বীরো। ঙসিদি কস্টম্মর অতৈ চঙহনলরোই।

ঐখোয়না খল্লুবদু অরানবা ৱাখলনি খঙলকপদা ইকায়বা পোকলকই। মীপূম খূদিংদা তৌদ্রবসু অখন্ননা ঐখোয়দা মখোয়গী নাৎকী তরাম্না ওকচবা উৎপা ওইনা কোফি পীথকলকপা অসি কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো ? কোর্ডুরোই জেকেট য়েংগে হায়খি। রেডিমেট জেকেট ময়ামদুদি য়েংলে, অয়াম্বনা নুপীগী ওইনা তৌই। অতৈ নুপাগী খর য়াওরম্বদু ঐখোয়না পাল্লিবা ডিজাইন্দু নত্তে। ঐখোয়না পাম্বা ডিজাইন য়াওদে হায়খি। মেনেজর ওইরিবা মার্থা সিনিনা (Martha Sini) মনুংদা লৈবা অতৈসু পুথোকলত্তুনা য়েংহনখি। মদুনা অমুক ডিজাইনগী ওইনদি ফজরগা, সাইজ অমুক চাওরমখি। ঐখোয়সু নুংঙাইত্রে মখোয়সু নুংঙাইতে। ঐখোয়না, "অতোপ্পা মফম কদায়দা ফংগদগে" হংখি। "খর লাপ্পা মফমদদি লৈগনি, হয়েং ঐখোয়না লৌরুরগা নখোয়দা ফংহনবা য়াই অদুবু হয়েংদি ফ্রাইদেনি ঐখোয় চর্চ কাগনি। থোঙ লোনগনি। অতৈসু চর্চ কাখিগনি" হায়রকখি। "ঐখোয়না কোর্ডুরোই জেকেট পাম্বগী মরমদি ক্যুবা অসি কোর্ডুরোই জেকেটকী মফম্নি, ক্যুবা নীংশিংনবা জেকেট অমমম লৈখিগে অদুগীনি" হায়খি। ঙাইহাক খল্লগা মার্থাগা, ডিজাইন্নর অদুগা মখোয় মশেল স্পেনিস লোলদা ৱা ঙাঙনখি। ঐখোয়দা হংলকই।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

---

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১। জি সী তোংব্রানা একাদেমী এৱার্দ ফংখিবদু করি লাইরিক্তনো?
২। 'বরুৱাগী চিঠী' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। 'লাই মথা শারি' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। গিরিশ কানার্দকী 'যযাতি' হিন্দীদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। 'মালেমদা তোমথিন ঙাল্লিবী বহারাইন' লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০ গী পাউখুম মরি চুম্না থাবীরকখিবদি

*১। নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়* *(৪)*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪০ গী ৱিন্নর

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৪০ গী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ফেব্রুৱারী ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০ গী পাউখুম

১। মণিপুরী লোনগী লাইরিক্তা ইহান হান্না সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীখিবসি করম্বা চহীদনো? ঃ- ১৯৭৩
২। অইবা এলাংবম রজনীকান্ত করি লাইরিক্তা একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে? ঃ- কালেন থাগী লৈবাক্লে
৩। "কমদৌই? / হিংমিন্নবদি অমুক্তা পূন্না / ঐখোয় ঈশেন চান্ননা।" ৱাহৈশিংসি অইবী নুপী কনানা হায়বনো? ঃ- সঞ্জেনবম ভানুমতী
৪। বাংলা নোভেল 'Jai Jayanti' বু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোকলোয়দু কনানো? ঃ- চোংথাম নরেন্দ্র
৫। 'খ্বাইগী হোটেল' কৌবা ড্রামাদু কনানা ইবনো? ঃ- নাওরেম কালিমোহন

---

# লায়রবদা লাই চঙবা



কৈশাম য়াইফবী চনু

খুরাই হৈগ্রুমখোং

***মনম*** পোল্লবা থায়নগী খাঙপোকশঙ অমনবদুগী মাঙ্গোলগী উখোক্তুদা ঙাথরদুনা ফক মথক্তা নুংশা য়াইনা-য়াইনা লাইরিক পারি কুন্দোরৈ। হোংলক্লিবা মৌপ্বাগী অওনববু ৱারৌরি থম্মোয়দা মথন্তা। মাষ্টরগী পরিক্ষা কুইদ্রবনি অদুবু ইমুংদা মপাবুংগা, মৌপ্বাগা কন্না নিঙাই শংদানরি। লাইবক ফবদগী লৈকায়গী মীফম অমগীদমক কৌবা লাক্তুনা মৌপ্বাদু চৎখ্রে। মী খৎনরবসু মহাক্লা ৱায়েন্দ্রবদি কনামতনা ঙমদে।

চানবগীদমক হিংবা নত্তে, হিংনবগীদমক চাবনি। হিংনবনি হায়দুনা অদুক অহল ওইরফাও য়ূম শাবা চৎলি। নুপী নাবগী হীদাক লৈবা, মচাশিংগী লাইরিক্কী, মফি-মরোলগী, চেঙ-চাক লৈবগী মথন্তা পুবদা ৱারবনি অহলগা ওইরকপসিদা। অদুবু হিংদবদি য়াদে হায়দুনা শুরিবনি। ওম্থোকপা ফীভমদা লৈরবনি ইমুংসে। কুম লায়না পুরবী মম্মাইবেম্মদা ৱারৌবসু ঙমদে। খাঙবা ৱারবা চৈনাদো মশীং থিঙমদ্রবা দাগফম মরক্তা খাঙবা তাবনি শিদ্রিবফাওবা। পুন্সিসিবু করিনো শিখ্রসিরা খল্লবনি কয়ারক মপাইবুংঙো থম্বাল। থবক ৱানা শুরুরগা হল্লকপদা নুপীগী নাহেখোঞ্জেলবু তাগদ্রা, মচানুপাগী নীংঙাইবু থেমগদ্রা, লৈত-লায়রগী মৈখুনে অহল ওইরবা মশাদু মৈথক্তা ঙৌরবনি, ঙাইহাক্তা পোত্থাবা ফংজদে।

অয়ূক ঙন্না হৌদুনা থবক শুবা চৎখিবা মপাগীদমক কুন্দোরৈনা ইঙ্খোলদগী মনা-মশিং খরা হেক্লগা হাওনা চাকঙন থোঙলে। ফি শাবগী পৈশা খরা পীরক্কদবা লৈবনি নুমিদাংৱাইরম পীগে হায়রগা পীরক্ত্রি। থম্বালসু ঙন্না হল্লক্লে ঙসিদি। মচানুপাদি হল্লক্ত্রি। মমাইবেম্মা নাবা খরা হেনজিল্লে। মমাবু পীজবা য়াবা খরা পীজরে। মহাকসু চাক চাবা তোক্লে। ইমুংগী থবক লোইশিনবা লোইরে। কুন্দোরৈ মপাইবুংঙোগী মনাক্তা চঙলক্লগা তপ্পা হায়রকই, "পাবা, এঞ্জাং হাওব্রা?" থম্বালনা খুম্মী হাওই-হাওই। পাবা ঙসিদি পৈশা খরা লৌরক্কনি হায়বদায়? থম্বালনা খুম্মী মখোয়সু মচানুপাদু মীং চনবগী পৈশা লৈতে হায়দুনা কোয়চেন চেন্নহৌই। অদুদা ঐ হংলমদ্রে। চেঙ কয়াম লৈরি? নমাগী হীদাক্তি লৈরিব্রা?

কুন্দোরৈ ৱাদি ঙাঙনীংদ্রবনি অদুবু খুম্লকই অৱাবশিংদু খঙদবা শাদুনা, চেঙদি হয়েং নুমিদাংফাওদি লৈখিনি। ইমাগী হীদাক্তি হৌজিক চারিসিনা লোইরে। ঙাঙনরিঙৈদুদা মচানুপা খোমদোন চঙলত্তুনা হায়রৈ, "ঐগী গাড়ীদু লৈদ্রিফাও ঐ চাক্কা অমত্তা চারোই।" মদু তাবদা খংশাও শাওদুনা থম্বালনা মচানুপাদুদা খূৎপাক্লা থারুই। মদুদগী শুকহন হল্লকওই হায়রল্লগা মচানুপাদু চৎখ্রে। অৱাবদা অৱাবা পীরিবা ফাওবদা কনাদসু ৱারৌবা, ৱাকৎপা লৈতনা থম্বাল ৱানা খাঙলকপনি। অঙকপনি মমাইবেম্মসু নাবা হেনজিল্লকই। মচানুপাবু থিগদ্রা, নুপীবু য়েংগদ্রা অমম্বা অহিংদুদা খনফম খঙদনা লম্মুক্লরে ৱাখলনা লাম্বা ফংদনা থম্বাল। অদুবু কনাদবু তাইনরগা অৱাবদু ফরক্কনি খল্লিঙৈ তাঞ্জা অদুদা খোমদোনবু লৈকায়গী অহলশিংনা ক্লবকী হৈনৌ মখোঙদা থৌরি য়ানগে তৌরম্বদগী থেংনরকই হায়দুনা পুশিনবীরকই। থম্বাল হায়ফম খঙদনা শাওনিংবা ফাওখি অদুবু মথন্তা মথম্মোয়বু ফাজিনজখি। থম্বাল শাওনীংবনা ৱা ঙাঙবা ঙমদনা তুমিন্না মরু লুকথনা ফমথখি। মচানুপী কুন্দোরৈনা মপাবুংগী অশাওববু ফাথনবা হোৎনরি।

নোংঙাল্লে। চিন-য়া শেংদোক্তুনা অয়ূক্কী তৌবা য়াবা মথৌ মঙম পূম্নমক পাঙথোক্লবা মতুং থম্বালদু মহাক্কা য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপ ইবোহলদগী পৈশা খরা পুরুরগে, ইচানুপাগীসু নীংবা থুংহল্লগে অদুগা মমাগী হীদাকসু খরা লৈনবা হায়না লাকখি। লাইবক ফবদগী মরুপসু থেংনরে। ৱারী শান্নরিঙৈদা কোম্থোংলোমদা নুপা অমা চঙলকই। মশা নাল্লি, য়েংবদা ইনাক কৈরাক খুনবা মী মাল্লি। মখূৎতা অমুবা বেগ অমসু পায়রি। চঙলত্তুনা ইবোহলগা ৱারী শান্নরবা মতুং নুপাদুনা বেগতু হাংদোক্তুনা ইবোহলদা লুপা লাক্ষ ১০ নি হায়না পী। করি করিনো ৱারী খরসু শান্নে, থবক্তু শোয়বিবা য়াদে হায়বা হায়রপ তাখি। অদুবু থম্বাল পৈশাদু উবদা ৱাখল অমা লাক্লে। ঐনা মঙোন্দগী পৈশাসি পুরবদি শেন্দোয়সু কানি, শিংবসু তাবনি। অদুনা নুপাসি হেক চৎখিবগা ঐনা ঈশিং খজিক্তা থক্কে হায়জিন্নরগা লাক্ষ ৫/৫ গী মপুনসি অমা হুখ্রগে খল্লিঙৈ তাল্লক অদুদা নুপা অদুসু চৎখ্রে। থম্বালনা ইবোহল ঈশিং খরা হান্না থকখিগে অদুগা ৱারী অমত্তা শাসি হায়জিন্নরে। ইবোহলসু করিসু খল্লুবা তৌদনা পৈশাশিং অদু থনল্লগা ঈশিং লৌবা চঙখি। ইবোহলনা হেক চঙখিবগা থম্বালনা লৈরিবা পৈশাশিং অদুদগী মপুল অমা লৌরগা মকোক্তু ফি অমনা কুপশিন্দুনা ইমুংদগী কন্না চেম্থোখি। মদুদা গেটশংবা নুপাদুনা হুরানবা-হুরানবা, হুরানবা ফাউ, হুরানবা ফাউ হায়না তানরকপদগী মফমদুদা লৈরম্বা মীয়ামসু থম্বালবু তানরকখি। থম্বালনা অসুম্না কন্না চেল্লকপদা লম্বীদা লৈরম্বা নূং অমদা খুরৌশনবদগী লৈমায়দা তুখি। তাঞ্জা অদুদা তানরক্লিবা মীয়াম্না হোৎচিন্দুনা মখোয় মখোয়না পায়রকপা উতুপ-ৱাতুপনা অরৎ অখম লৈতনা পংফুন্দা ফুজিনখি। ময়ামশিংদুগী মরক্তগী অমনা খামদোক্তুনা মকোক্তা কুপশিল্লিবা ফিদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা কাকা থম্বাল ওইরমখি। অদুবু থম্বালদি মফমদুমক্তদা থৱায় থারল্লে। মীয়াম্না থম্বালগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু ময়ূম ফাওবা থিল্লকখি।

শোমদনা কুন্দোরৈ মৌপ্বা খোমদোনগা কন্না লাউনরি। লাউবা য়াবা লাউনরম্লগা খোমদোন্না য়ূমগী পোৎলমশিং অমাং অতা থোকহল্লম্লগা ঐ অমুক হল্লক্লরোই হায়রম্লগা চৎখ্রে। তৌরিবা থৌওংশিং অদুদা অনাবগী চৈনা খাংলিবী মমাসু খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইদুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। কুন্দোরৈ মমাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংবু কোন্দুনা থম্মোয় শোক্লা কপলিঙৈ তাঞ্জাদা মপান্দগী কুন্দোরৈ-কুন্দোরৈ কৌরকপা তাবদা চেম্থোক্তুনা য়েংলুবদা মহাক্কী মপাসু থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা শুমাংদা লৈকায়গী মীয়ামগা লোয়ননা লৈরম্বা উবদা কুন্দোরৈ অঙাওবীগা পাঞ্খক ওই, ৱাদি ঙাঙদা মপি ওরো-ওরো শিন্থনা মপাবুংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা মুন্না য়েংলম্বদগী শুমাংদা লোংনা হাইথখি। ●